**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-05-2026)**

**এম্ব্যুস(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী লৈঙাংচীং অমদি টি.এম. কসোম ভিলেজতা খুৎলায় পায়বশিংনা চথরকপা এট্রেক্তা নোংচুপ বেঙ্গোলদগী ত্রক দ্রাইভর অমা লৈখিদ্রে, পুলিস কন্সটেবল অমনা শোক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ খরা হেল্লকপদা থোকখিবনি। পোৎ-চৈ পুবা ত্রক অদু নেসনেল হায়ৱে ২০২ লম্বীদা লাকপদা লীতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লৈঙাংচীং অমদি টি.এম. কসোম ভিলেজ অনিগী লোন্নবদা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মদুদা, ত্রক দ্রাইভর অদু নোংমৈনা পানবদগী মফমদুমক্তদা লৈখিদবনি। হৌজিক পোষ্ট মোর্টেমগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। অদুগা থৌদোক অদুদা শোক্লবা লীতান পুলিসকী পার্সোনেল অদুনা মখা তানা জেনিমসতা লায়েং চথরি।

থৌদোক অসিবু মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- পোৎ-চৈ পুবা ত্রক্তা এট্রেক চথুদুনা নোংচুপ বেঙ্গোলদগী ত্রক দ্রাইভর অমা লৈখিদবা অমদি পুলিস কন্সটেবল অমবুনা শোকহনখিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি সরকার অসিনা য়েংদুনা লৈরোই। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা খুদিংমক আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগনি।

অমরোমদা, লৈখিদ্রবা ত্রক দ্রাইভর অমদি শোক্লবা পুলিস পার্সোনেল অদুগী ফিভম গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা জেনিমসতা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পাউমীশিংদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-থোক্লিবা থৌদোক অসি য়ামা লাইবক থিবনি। সরকারনা চেন্নবশিং ফাননবা অকনবা থবক লৌখৎকনি। মহাকা হায়-মফম অদুগী ঙাকশেলগী থবক বি.এস.এফনা

তৌবনি। থৌদোক অসি সেক্যুরিতিগী করি অশোয়বা য়াওখিবনো হায়বদু অথুবদা সরকারনা থিদোক্লগনি।

**দ্রাইভর (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দ্রাইভরশিং অমদি গাড়িশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা সেক্যুরিতি মতিক চানা পীবীনবা ওল মনিপুর রোড ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱাকরস য়ুনিয়ননা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি-মাইনোম অনিল মীতৈনা হায়-রাজ্য অসিদা পোৎ-চৈ পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিংদা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা হায়দুনা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা কয়ারক হন্না আপিল তৌখিবসু লৈখ্রে। অহিং নুংথিল খঙদনা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌরিবা দ্রাইভরশিং অসি সেক্যুরিতি কনভোই মতিক চানা পীদুনা লম্বী চৎহনবা ঙমলোইদবা লৈরবদি দ্রাইভরশিং ষ্টারিং থাদোকপগী ৱাফম লাক্কনি। মরম অদুনা সরকারনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু।

উখ্রুল জিলাদা ঙসি থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ত্রক দ্রাইভর অমা শিখিবা অমদি পুলিস পার্সোনেল অমা শোকখিবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা থৌদোক অদুবু চখ্থরকখিবা খুৎলায় পায়বশিংগী মথক্তা মনিপুর ত্রক ওন্নরস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-হিজম রঞ্জিৎনা হায়-নেসনেল হায়ৱে পরিংদা সেক্যুরিতি আর.ও.পি. চৎপগী মথক্তা মনাক নকপদা লৈরিবা চীং অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিনা এরিয়া দোমিনেসন তৌবগা লোয়ননা সর্চ ওপরেসন চখ্থরবা মতুং পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং থাবীয়ু। মহাকা হায়-ঙসি লৈখিদ্রবা দ্রাইভরগী ইমুং মনুংদা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগা লুপা

লাখ অমা অমসুং শোক্লবা পুলিস পার্সোনেলদা লুপা লিশিং ৫০ গী মতেং পীরগনি।

**ম্যুজিয়ম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা নৌনা শাবা মণিপুর পুলিস ম্যুজিয়ম শঙ্গাখ্রে।

ম্যুজিয়ম অসিদা মণিপুর পুলিসনা হৌদোরকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংগী ফোটোশিং, মণিপুর পুলিসনা মমাংঙৈদা শিজিন্নরম্বা খুৎশুু-খুৎলায় অমদি য়ুনিফোর্ম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং অমসুং আরকাইবসকী ওইবা চে চাংশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্লি। ম্যুজিয়ম অসি মীরোল কয়াদা লৈরম্বা পুলিসকী মীওইশিংগী মথৌদা পুকিং চংবা, কৎথোকপা অমসুং মখোয়গী থৌনাদা পীবা ইকায় খুমবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিসকী দাইরেক্তর জেনেরেল রাজিভ সিংহ অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা দি.জি.পি. অমসুং পুলিসকী অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা অনৌবা পুলিস হেদক্বাটরস য়েংখি অমদি মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী মিনিস্তরস ব্লোক্কী কেবিনেট হোলদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম পাঙথোকখি। মসি মফম অদুদা অহানবা পাঙথোকপা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনি। অদুমওইনমক, মীফম অদুনা করি করি খন্নখিবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

**ইলেক্সন (এল)ঃ** মনিপুরদা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) গী ইন্যুমরেসনগী থবক হয়েংদগী হৌরগনি। মসি মথং থা, জনগী ২৮ ফাওবা চথগনি।

ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা, রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-অরুনকুমার সিনহানা হায়-ইন্যুমরেসনগী মতম অসিদা

বুথ লেবেল ওফিসার (বি.এল.ও) লিশিং ২,৯৫৬ না য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা হৌজিক লৈরিবা ভোটরশিংদা ইন্যুমরেসন ফোর্ম য়েন্থোক্কনি।

ভোটরশিংনা মশাগী নৎত্রেগা মরী-মতাশিংগী মমাংগী এস.আই.আর. রেকোর্ড ইন্যুমরেসন ফোর্ম অদুদা মেনশিল্লগা বুথ লেবেল ওফিসার অদুদা পীবিনবা অমসুং বি.এল.ও. অদুগী সহি য়াওরবা কোপি অমা লৌবীহৌনবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা ভোটরশিংদা আপিল তৌরি। মহাকা হায়-ইন্যুমরেসনগী তাঙ্কক অসিদা ভোটরশিংনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী দোকুমেন্ট পীরোইদবনি। ভোটরশিংনা মেনশিল্লবা ইন্যুমরেসন ফোর্মশিং অদু ওন লাইনদা ভোটরস দোট ই.সি.আই. দোট জি.ও.ভি. দোট ইনদা দাউন্দ অমদি অপলোদ তৌবা য়াগনি।

এস.আই.আর. অসি মপুং ফানা মায় পাকহন্নবা অমদি ভোট থাদবা য়ারবা মীওই অমত্তা চিংথহন্দনবা অমসুং থাদবা য়াদবা মীওই অমত্তা ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওহন্দনবা হোৎনবা অসিদা রাজ্য অসিগী রাজনিতি দল, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমসুং ভোটর খুদিংমকা মপুং ফানা তেংবাংবীনবা অমসুং শরুক য়াবীনবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-শ্রী অরুনকুমার সিনহানা আপিল তৌরি।

**ফিলম (এল)ঃ** ইম্ফালগী মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস) কী পেলেস ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড ২০২৫ য়েন্থোকখ্রে।

মনিপুরি সিনেমাদা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙদুনা রাজ্যপালনা এম.এস.এফ.দি.এস. লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড অসি ডা: অরাম্বম লোকেন্দ্রদা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন্দ্র য়াওনা রাজ্যপালনা বুক এন্দ ক্রিটিক,

নন-ফিচর অমসুং ফিচর ফিল্মস কেটেগোরিগী এৱার্ডশিংসু মকোক মথং তারবশিংদা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা মনিপুরি ফিল্মবু শিংথাবগা লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা অমদি মচিন তুমখৎলক্লিবা লমদমসিগী ফিল্ম মেকরশিংনা অয়েংবশিংগী খল্লগা অচুম্বা অমদি লমদমসিগী কালা সংস্কৃত্তিগা শাগোন্নবা ৱারীশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্মশিং মখা তানা পুথোকবা আপিল তৌখি। মহাকা হায়-মনিপুর ফিল্মগী তুংগী মরাইবক অসি ফিল্ম মেকরশিং অসিগী হৈথোই শিংথোইবা, থৌনা অমদি মখোয়না য়ৌহনগে হায়না খল্লিবা থাক অদুগী মতুং ইন্না চাউখৎপা নাইগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-অৱাৎপনা থল্লবসু ফিল্ম পুথোক্লিবশিংনা মনিপুরগী নাৎ অমদি চৎনবীবু ঙাক্তুনা সিনেমা অসি ত্রেদিসনেল ফোমদা পুশিন্নবা হোৎনরি।

**মেন্স (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস অমদি ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মনিপুরনা শিনদুনা রাজ্য থাক্তা ৱার্ল্ড মেন্সচ্রুয়েল হাইজিন ডে-২০২৬ ঙসি ইম্ফালগী হোটেল ইমোলেসতা পাঙথোকখ্রে।

টুগেদর ফোর এ পেরেদ ফ্রেন্দলি ৱার্ল্ড হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-সৈখ অব্দুল হকিমনা হায়-পালন থৌরম অসি নুপীশিংগী হকশেলগী মতাংদা খক্তমক নৈনবা নত্তে। মসি নুপীশিংগী ইকায় খুমবা, লাইরিক লাইশু, থোং মান্ননা চৎপা অমদি নুপীদা শক্তি পীবা হায়বসিদা নৈনগদবনি। থাগী খোংকাপ লাকপা হায়বসি নুপীশিংদা হকচাংগী অওনবগা শগোন্ননা থেংনবনি। অদুবু অসিগুম্বা নুপীগী তাঙ্কক অসিবু মতম শাংনা খুন্নাইদা অরানবা ৱাখল লৈবা অমদি নুপীশিংগী পুকিং হকচাংদা নুংঙাইহন্দবা থৌদোক কয়া থোকহনখিবা লৈখ্রে।

থৌরম অদুদা, নেসনেল হেলথ মীসনগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-ডাঃ এম.

দিনেস সিংহ, দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মনিপুরগী এদিসনেল দাইরেক্তর-ডা: এন. সোমোরজিৎ সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

**শিব সেনা (এল) ঃ** হন্দক্তা শিবা সেনা মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম. তোম্বী সিংহবু নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্সটিট্যুট ওফ আইয়ুরবেদ এন্দ হোমিওপেথি, শিল্লোংগী গভরনিং বোদিগী আউটসাইট এক্সপার্ট ওফ ইমিনেন্স-মেম্বর খল্লকপদা ঙসি শিব সেনা  মহাকপু তরামা ওকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা শ্রী তোম্বীনা হায়-অথুবা মতমদা মহাকা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি অমসুং আয়ুস মন্ত্রি উন্নদুনা মনিপুরদা নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদ এন্দ হোমিওপেথি, শিল্লোংগী ব্রান্স অমা হাংবীনবা তকশিল্লুরগনি। মীতোপ চংশিল্লকপদগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংশিন্নবা শেমখিবা কমিতি অসিনা অহানবা ওইনা মনিপুরদা থবক পায়খৎপীদুনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মীশিং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংশিলহন্নিংই।

**কনভোকেসন (এল)ঃ** ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি, সেনাপতিগী মঙারকশুবা কনভোকেসন ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা ত্রিপল আই.টি, সিটি কেম্পসকী স্বামী বিভেকানন্দা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.আই.টি. গুৱাহাতিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-দেবেন্দ্র জালিহালনা হায়-মহৈরোইশিংনা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা মতিক মঙাল লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা মালেমদা অহোংবা কয়া উবা ফংলি। মসিদা হোংলক্লিবা বিগ্যানগী লম্বী অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা চংই। মসিদসু নত্তনা খুন্নাই অসিদা কান্নবা পীগদবা অনৌবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা চাউখৎ মাংদা চংশিনমীন্নবা হোৎনসি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মনিপুর ট্রাইবেল ইন্দিজিনস ফারমস কমিতি-চান্দেল অমদি তেংনৌপল জিলানা শিনদুনা ফারমস লাইফলিহুদ হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চথ্থগদবা এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙসিদগী তেংনৌপল জিলাগী লাইচিং কাংশঙ কম্মুনিতি হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমদি ভেটিরিনারি এন্দ এনিম্যেল হসবেন্দরি-তেংনৌপলগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা লৌমীশিংদা কান্নগদবা তোঙান তোঙানবা হীরমদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ধমেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-পরিক্ষাদা ৱাহং লিগ ওইবগী ৱাফম অসি য়ামা লাইবক থিবনি অমসুং মসি থোকহল্লোইদবনি। মহাকা হায়-পরিক্ষা অমুক হনবদা য়ামা মওং মরিল চুমা পাঙথোক্কনি। অশোয়বা অরানবা অমত্তা লৈহল্লোই।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী প্রধাননা হায়-মহৈরোইশিংগী অৱাবা সরকারনা নীংথিনা খঙবগা লোয়ননা মতিক চাবা মহৈরোইশিং মখোয়গী তুংগী কেরিয়ার শোয়হন্দনবা ওথোরিতিনা নীংথিনা থবক পায়খৎলি। তুংদা, পরিক্ষশিং অরানবা য়াওদনবা করি থবক পায়খৎলবগে হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-ক্বোইসন পেপর লিগ ওইবগী থৌদোক অসি সি.বি.আইনা নীংথিনা থিজিনদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীনবা হোৎনরি।

**পিএমঃ** যুমলোন্নরিবা লৈবাক ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট-উ মিন ওং লাং, নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ওফিসিএল খোঙচৎতা হয়েং ন্যু দিল্লিদা থুংলগনি।

কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই-রনধির জেসৱালনা হায়-খোঙচৎ মনুংদাপ্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমদি ম্যান্মারগী প্রসিদেন্টনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অচেৎপা মরী থমবগী মতাংদা কুপা খন্নগনি। মসিগা লোয়ননা ভারত অমসুং ম্যান্মার অনিগী মরক্তা তুং কোইনা অফবা মরী থমনবা ৱা কুপা

খন্নগনি।

**পঞ্চায়টঃ** কেন্দ্রগী পঞ্চায়েটি রাজগী রাজ্য মন্ত্রি-প্রোফেসার-এস.পি. সিংহ ভাগেলনা হায়রি-খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তগী হৌনা মীপুম খুদিংমক্তা শক্তি পীদ্রবদি ভারতনা ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা সুপর পৱার ওইনবা অমসুং মালেমগী শেন্মীৎলোন খ্বাইদগী ফবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবগী খোঙচৎ অসি মায় পাকপা ঙমলোই।

গুৱাহাতিদা ঙসি পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়না শিনদুনা পাঙথোকপা সেবা সে সমরেধি-সার্ভিস দিলিভরি রিজনেল ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অমসুং জাতি থাক্তা হেন্না চাউখৎহন্নবা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিং খুঙ্গংগী থাক্তা মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মাওইশিংগী পুন্সি মহিং লায়থোকহন্নবা অমসুং খ্বাইদগী শোত্থরবা মীওইশিংদা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা পঞ্চায়ট হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা তঙাইফদে।

অসামনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ অসিদা অন্ধ্র প্রদেস, মধ্য প্রদেস, উরিষ্যা, পঞ্জাব, রাজস্থান, তেলঙ্গাদগী মীওইশিং শরুক য়ারি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৪ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ফুটবোলঃ** লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা এন.সি.সি. এক্তা কপ ২০২৬ কী গ্রান্ট ফিনালেদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমদি ফার্ষ্ট লেদি শরুক য়াখ্রে।

এন.সি.সি. গ্রুপ হেদক্বাটরসনা শিনদুনা এন.সি.সি. নোর্থ ইষ্ট রিজন হেদক্বাটরসকী মখাদা চঞ্জবা অন্দর সভেন্টিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ফাইনেলদা এন.সি.সিনা আর.এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

থৌরম অদুদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোসু শরুক য়াখি।

**ফুটবোল ঃ** বাবিনা গ্রুপকী ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই, সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-রহি য়ু.সিনা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-জ্বিনাইল ক্লব অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ক্রিকেটঃ** অহুমশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ডল্লিয়ু.সি. লংথাবালনা বি.এস.সি. (বি) ব্রহ্মপুরবু রন ২৪ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চেম্প খাগেমপল্লিনা আর.এন.ই.এফ. ময়াং ইম্ফালবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন-২১৬ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-সেদো থাংমৈবন্দনা অক্সদো-খাঙবোকপু রন-৯৩

দা থোইখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা-রুল-মৈত্রমনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন-১১৪ দা, অল আমিন লিলোংনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-৯৩ দা অমদি ক্রাউ-খামাম বজারনা এস.য়ু. শগোলবন্দবু রন-১৫১ দা থোইখে।

অমরোমদা, মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফোরতিন ৱান ডে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইবু রন-৮৭ দা থোইখ্রে।

**কিকঃ** উরিষ্যাদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল কিক বোক্সিং জনিয়ার বোইজ এন্দ গালর্সকী চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক য়ুনাইটেদ এসোসিয়েসন ওফ কিক বোক্সিং ওর্গনাইজেসন-মনিপুরগী শান্নরোই ২০ অমদি ওফিসিএল অনি ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।